# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 17-01-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা লালহৌবশিং ফাবা অমসুং পোপ্পি পান্বী য়ান্থুৎপগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি।

২) ১১৮ শুবা মেজর চোংথামমিয়াগী নিংশিং নুমিৎ থৌরম ঙসি ইম্ফালদা লৈবা লোই থাখিবা অথৌবশিংগী মেমোরিয়েল কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্কনি।

অমসুং

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- ষ্টার্টঅপকী ইহৌদা নুপীশিংনা থৱায় য়াওনা শরুক য়ারিবা অসি থাগৎনিঙাইনি।

------

সেক্যুরিতি (এল)ঃ বিষ্ণুপুর জিলাগী থাঙ্গ চীংঙাং প্লে গ্রাউন্দ এরিয়াদগী রাজ্য পুলিসনা প্রিপাক্কী মীওই অমা ঙরাং ফারে।

মণিপুর পুলিসকী পাউনা হায়- সেক্যুরিতি ফোর্স অমসুং ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী অপুনবা কাংবু অমনা কাংপোকপী জিলাগী এস. খোনোমফাই ভিলেজগী চীংশাংদা লম একর ৫৫ রোমদা থারম্বা পোপ্পি পান্বীশিং য়ান্থুৎতুনা মাংহনখ্রে। মফম অদুদা লৈরম্বা লৌতাংশঙ মরি অমসুং মফম অদুদগী ফংবা হার বেগশিং, পোপ্পি পান্বী থাবদা শিজিন্নবা তিলহাৎ হিদাক য়াওনা পোৎলম কয়াসু মৈ থাদোক্তুনা মাংহনখ্রে।

সেক্যুরিতি ফোর্স, ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট অমসুং একজিক্যুতিভ মেজিষ্ট্রেট য়াওবা অপুনবা কাংবু অমনা চুরাচান্দপুর জিলাগী বেহিয়াং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা সুৱাংকোম চীংশিংদা লম একর ১০ রোমদা থারম্বা পোপ্পি পান্বীশিং য়াম্থৎতুনা মাংহনখ্রে। মফম অদুদগী ফংবা থুম, য়ুরিয়া অমসুং স্প্রেয়ারনচিংবসু থুগাইদুনা মাংহনখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, ককচিং জিলাগী পল্লেল মনিং লৈকাই এরিয়াদা থৌদুনা লাকপা নম্বর থাদবা জিপসি অনিদগী রাজ্য পুলিসনা য়ুঙাংশিং ফাগৎলে। মখোয়দগী য়ুঙাং বোটল ২১৯ অমসুং বিয়ার বোটল ৬৮৫ ফংলে। গাড়ি অদুদা তোংলকখিবা চান্দেল জিলাগী জাফৌ বজারদগী মীওই মরি অমসুং জিপসি অনি অদুসু ফাগৎলে হায়রি।

চম্প্রা (এল)ঃ ২২ শুবা কচাই লেমন ফেষ্টিভেল ঙরাংদগী উখ্রুল জিলাগী কচাই ভিলেজদা হৌখ্রে। রাজ্যগী হোর্তিকল এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসনগী কম্মিসনার থাইথুইলুং পামৈনা ফেষ্টিভেল অদু হৌদোকখি। হৌদোকপগী থৌরম অদুদা উখ্রুল জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনার অসিস দাস য়াওনা অতৈ মীওই কয়া শরুক য়াখি।

কুম্হৈ অসিগগী ঙসি নিনি চনবা অরোইবা নুমিৎতা চম্প্রা থারিবা লৌমীশিংগী ওইবা অখন্নবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা পাঙথোক্কনি। মদুদা লম অসিদা নিংথিনা খঙ হৈরবা এক্সপার্টশিংনা তাকপী তম্বীগনি।

কনভোকেসন (এল)ঃ ধনামঞ্জুরি য়ুনিভর্সিতিগী অহানবা কনভোকেসন ঙসি পাঙথোক্লগনি। থৌরম অদুদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা থৌরম মপু ওইগনি। কেন্দ্রগী শিক্ষা মন্ত্রালয়গী সেক্রেতরি ডাঃ বিনিত জোসিনা অথোইবা লেংবীরকপা অমসুং রাজ্যগী চীফ সেক্রেতরি ডাঃ পুনিত কুমার গোয়লনা ইকায় খুমনিঙাই ওইনা লেংবীরকপশিং ওইদুনা শরুক য়াগনি। থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা দিগ্রিশিং মহৈরোইশিংদা য়েন্থোক্কনি।

চোংথামমিয়া (এল)ঃ   ১১৮ শুবা মেজর চোংথামমিয়া মেমোরিয়েল ডে অমসুং মিয়া সিংহ মেজর ৱারিয়র এৱার্দ প্রজেন্টেসনগী থৌরম ঙসি ইম্ফালগী বি.টি. পার্কতা লৈবা লোই থাখিবা অথৌবশিংগী মেমোরিয়েল কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্লগনি। য়ুনাইতেদ চোংথাসনা শিনবা থৌরম অদুদা আচার্য্যা কে. ব্রজমনি শর্ম্মা অমসুং সনুলালগী প্রসিদেন্ট টি.ঐচ. ইবেথোইনচিংবা মরুওইবা মীওই কয়া শরুক য়াগনি।

থিয়েতর (এল)ঃ থিয়েতর সেন্তর মণিপুর অমসুং মণিপুর ষ্টেট কলা একাদমিনা পুন্না শিন্দুনা ৫৪ শুবা ওল মণিপুর সোর্ট প্লে কম্পিতিসন ২০২৫ গী মনা য়েন্থোকপগী থৌরম ঙসি ইম্ফালগী মণিপুর ড্রামাতিক য়ুনিয়নগী হোলদা পাঙথোক্লগনি। থৌরম অদুদা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদমিগী দিপ্যুতি সেক্রেতরি য়াওনা থিয়েটরগী লমদা শকাইরবা মীওই কয়া শরুক য়াগনি।

কৈথেল (এল)ঃ ঐখোয়গী অপুনবা শক্তম থঙ্গাল কৈথেলগী ৫ শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙরাং ইম্ফালগী ওল্ড এসেমব্লি রোডতা লৈবা মণিপুর হিন্দি পরিষদতা পাঙথোকখ্রে।থৌরম অদুদা ঐখোয়গী অপুনবা শক্তম থঙ্গাল কৈথেলগী সেক্রেতরি হুইদ্রোম বদনকুমারনা অপুনবগী শক্তম শাগৎনবগী ৱাফমশিং ফোংদোকখি।

পিএম ঃ  প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- ষ্টার্টঅপ ইন্দিয়া প্রোগ্রাম অসি ইচম চম্বা স্কিম অমা নত্তে। মসিদা তোঙান তোঙানবা লমশিং শমহন্দুনা অনৌবা খুদোংচাবশিং পীরিবা রেনবো ভিজননি।

নেসনেল ষ্টার্টঅপ ডেগা মরী লৈননা ষ্টার্টঅপ ইন্দিয়া হৌদোকখিবা চহি ১০ মপুং ফারকপগা মরী লৈননা নিউ দিল্লিদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা শ্রী মোদিনা হায়- ইন্তরপ্রাইসশিং মায় পাকহন্নবা হোৎনবদা থৌনা চংই অমসুং দাইত্ব য়াওনা থবক তৌরিবা নহারোলশিংবু পুকিং থৌগৎপীবা তঙাইফদে। ষ্টার্টঅপতা নুপীশিংনা থৱায় য়াওনা শরুক য়াববু থাগৎলদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- ভারত্তা

লৈরিবা সরকারনা শক খঙলবা ষ্টের্টঅপশিংগী চাদা ৪৫ গী মনুংদা য়ামদ্রবদা নুপী দিরেক্তর নত্রগা পার্টনর অমমম য়াওরি। ষ্টার্টঅপকী মায় পাকপা অসি সরকারগী স্কিম অমগী মায় পাকপগী ৱারী নত্তে, মসিদি লৈবাক অসিগী মশিং য়াম্লবা নহা ওইরিবা ওন্তরপ্রেন্যুরশিংগী হোৎনজমনগী ৱারীনি।

মোদি ঃ নোংচুপ বেঙ্গল অমসুং অসামগী নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎতা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি ঙসি কোলকাতাদা অহানবা ওইনা থুংগনি। হাউরা অমসুং গুৱাহাতিগী কমাখ্যা ফাওবা চেনগদবা ভারতকী অহানবা বন্দে ভারত স্লিপ্পর রেলগাড়ি, মালদা টাউন রেলৱে ষ্টেসনদগী প্রধান মন্ত্রিনা ঙসি লমথাগনি।

শ্রী মোদিনা নোংচুপ বেঙ্গলগী মালদাদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীতিন অমদা লুপা কোতি লিশিং ৩,২৫০ রোমগী রেল অমসুং লম্বীগী প্রোজেক্টশিং পায়খৎনবা য়াত্রা হুনগনি। প্রধান মন্ত্রিনা নোংচুপ বেঙ্গলদা অচৌবা রেলৱে প্রোজেক্ট মরিগী যাত্রাসু হুনগনি। মহাকা মালদাদা অমৃট ভারত এক্সপ্রেস রেলগাড়ি মরি লমথাগনি।

অথেংবদা অসামগী গুৱাহাতিদা পাঙথোকপা বোরো জাতিশিংগী ইনাক খুল্লবা হেরিতেজবু উৎথোকপা বাগু রুম্বা দৌহৌ ২০২৬ তা শরুক য়াগনি। থৌরম অদুদা বোরো ফুরুপকী আর্টিষ্ট লিশিং ১০ রোমা বাগু রুম্বা জগোই উৎকনি। হয়েং নিনি নুমিৎতনা শ্রী মোদিনা কাজিরঙ্গ এলেভেতেট কোরিদোর প্রোজেক্ট পায়খৎনবা যাত্রা হুনগনি। অসামগী কালিয়াবোদা পায়খৎকদবা প্রোজেক্ট অসি লুপা কোতি লিশিং ৬,৯৫০ চংনা শেমগৎকদবনি। থৌরম অদুদা শ্রী মোদিনা গুৱাহাতিদগী রোহতক অমসুং দিব্রুগরদগী লখনৌ তমা চৎকদবা অমৃট ভারত এক্সপ্রেস রেলগাড়ি অনিসু লমথাগনি।

মহারাষ্ট্র ঃ গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি- বি.জে.পি অমসুং শিব সেনাগী চুংশিন্নবা কাংবুনা মহারাষ্ট্র ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী মীখলদা চাউনা মায় পাকখিবা অসি প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লমজিং মখাদা এন.দি.এ সরকারনা পায়খৎপা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং অমসুং থৌশিল থৌরাংশিংদা মায়ামা

থাজবা থন্বীবগী খুদমনি।    সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ব্রারোল অমদা শ্রী সাহ্না হায়- মহারাষ্ট্রদা সরকার পায়রিবা মহায়ুতি সরকারগী থবক থৌরমশিংবু মীয়ামা শকখঙবীবগী খুদম অমসুনি। মীখলগী ফল অসিনা, মীয়ামা চাওখৎ থৌরাং অমসুং মীয়ামগী য়াইফ থৌরাংশিংদা থাজবা থম্লি হায়বদু উৎলি। বি.জে.পি অমসুং শিব সেনাবু শৌগৎপীবগীদমক শ্রী সাহ্না রাজ্য অদুগী মীয়াম্বু থাগৎপা ফোংদোক্লি।

ইদি ঃ ইনফোর্সমেন্ট দাইরেক্তোরেটনা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা রাজ্যশিংগী মফম ২৬ তা থি হুন্বগী থবক চথখ্রে। গোব্রা, মহারাষ্ট্র, কেরলা, তামিলনাদু, করনাটক, ওরিষা অমসুং দিল্লিগী মফমশিংদা চথখিবা থি হুন্বগী থবক অদু প্রিভেন্সন ওফ মনি লোন্দরি এক্ট ২০০২ গী মখাদা আইন কায়না মালেমগী থাক্তা ড্রগ লল্লোনবা অমসুং শেলশিং নাথৈদুনা থন্বগা মরী লৈননা চথখিবনি।

ইনফোর্সমেন্ট দাইরেক্তোরেটনা হায়- থি হুন্বগী থবক অদুদা য়াল্লবা শেনফম, কানি, গঞ্জা অমদি চে চাং কয়ামরুম ফাগৎখি। থিজিনবা অদুদা ড্রগশিং সপ্লাই তৌরিবা অমদি মদুদা হকথেংননা চেন্নরিবা মীওই খরসু মশক খঙদোকপা ঙমলে।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

এন. বিরেন অমদি এ. সরদা দিল্লিদা চৎখিবা অমদি কম্বাইন্দ ফোর্সনা ওপরেসন চথখিবগী পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচে অয়াম্বগী মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনবা থেংনরে।

এক্স-সি.এম বিরেন অমসুং পার্তি প্রসিদেন্ট সরদা দিল্লিদা থুংখ্রে. ময়ামা য়ামা খঙনিংবা খোঙচৎ ওইরি হায়বা পাউনা পোকফম পাউচেগী অহানবা পাউ ওইনা ফোংলি।

পোপুলর গভর্নমেন্ট লাকপগী ৱারী, দিল্লিদা পাইশিন্নরি, বিশ্বজিৎ, বিরেন চংশিনখ্রে, সরদা চংখ্রে হায়বা পাউনা শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সনালৈবাক্তা অনৌবা লৈঙাক্কী চরাংনবা মরক্তা এন. বিরেন, সরদা দিল্লিদা পাইশিনখ্রে, বি.জে.পীগী নেসনেল প্রসিদেন্ট মীখল অমসুং অনৌবা লৈঙাক্কী খন্নরবা য়াই হায়বা পাউনা হেদলাইন তৌরি।

তোরবুংদা আই.দি.পিশিংনা ময়ুমদা হঞ্জিনখিবা নুমিৎতা লান্দারকখিবা থৌদোক্কা মরী লৈননা স্পেসিয়েল কম্বাইন্দ সেক্যুরিতি ফোর্সনা য়ু.কে.এন.এগী কেম্পশিং থুগাইখ্রে হায়বা পাউনা নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

কম্মান্দো, অসাম রাইফলসনা য়ু.কে.এন.এগী কেম্পশিং থুগাইখিবগী পাউনা শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনগী হেদলাইন ওইনা ফোংলি।

মণিপুর অনৌবা লৈঙাক শেম্বগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা ৱাফম কয়া ফোংদোকরক্লি হায়বা পাউনা পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

নেসনেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিতিগী ফাউন্দেসন ডে পাঙথোকখিবগী পাউনা মণিপুর মেলদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

------